# মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ডব্লিউ নীপামচা লৈখিদ্রে ষ্টেটকী থাক্তা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে, ষ্টেট হোলিদে লাওথোকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুলাই ১৭ঃ মণিপুরগী চিফ মিনিস্তর ওইরম্বা ৱাহেংবম নিপামচা সিংহ মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা ঙসি অয়ুক রিমস হোস্পিতালদা লৈখিদ্রে। মহাক্না লৈখিদবদা ষ্টেটকী থাক্তা ইকায়-খুম্নবা উৎতুনা হয়েং তাং ১৮ ষ্টেট হোলিডে লাওথোকখ্রে। লুচিংবা অসিনা লৈখিদবদা মণিপুরগী গভর্নর গুরুবচন জগৎ, মহাক্কী লোয়নবী, চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবী, হোম মিনিষ্টর গাইখাঙম অমসুং এমপি ডাঃ টি মৈন্য য়াওনা শক্লাইরবা মীওই কয়া অমসুং লুপ কয়ানা অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারক্লি।

লৈখিদ্রবা ৱাহেংবম নীপমচা মশাগী চহী ৮২ শুখ্রে। ঙসি অয়ুক পুং ১০:৪৫ রোম তারকপদা রিমস হোস্পিতালদা লৈখিদবনি। লৈখিদ্রবা নিপামচা য়েৎথংবা খোংদা ‘ঈ’ ফমজিল্লক্তুনা গেংগ্রিন ওইরকপা য়াবা ফিভম অমদা শিজ হোস্পিতাল, লাঙ্গোলদা জুলাই ৭ তগী লৈরকখি। মখা তাবা লায়েংগীদমক জুলাই ১৫ গী নুংথিল পুং ৩:৩০ রোম তারকপদা রিমসতা রিফর তৌরকখিবনি।

মহাক্কী শ্বর হোনবা নুংঙাইরক্তবদগী হোস্পিতাল অসিগী আই সি য়ু (ইন্টেন্সিভ কেয়ার য়ুনিত) দা লায়কন্নরল্লবা মতুং ঙসি অয়ুক লৈখিদবনি হায়রি।

ৱাহেংবম নিপামচা ইং ১৯৩০ গী ডিসেম্বর ৩০ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাঙ্গোইদা পোকখি। ইং ১৯৬৩ দা মহাক গুৱাহাতি য়ুনিভর্সিতিদা হিষ্টোরি সবজেক্টতা মাস্তর লোইশিল্লবা মতুং মহাক্কী পোক্লফম ৱাঙ্গোই স্কুলদা এসিষ্টেন্ট টিচর ওইখি। তুংদা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং ৱাঙ্গোই হায়র সেকেণ্ডরি স্কুলদা ওঝাগী শিনফমদা থবক তৌরমখি।

ইং ১৯৭১ দা ওঝাগী শিনফমদগী পোখাদুনা রাজনিতিগী লমদা খোঙদারকখি। চহী অসিদা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা ৱাঙ্গোই কেন্দ্রদা কংগ্রেসকী অহানবা ওইনা মীরেপ ওইখি। অদুবু মহাক মীখলদা মায়থিখি। ১৯৭৪ গী অনিশুবা এসেমব্লিগী মীখলদা কংগ্রেসকী টিকেটতা মীরেপ ওইদুনা মায় পাক্লকখি।

মতমদুদা কেন্দ্রদা মোরারজি দেসাইনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা পানখিবা মতম কংগ্রেসতগী তোক্লগা সেন্তরদা সাসন তৌরিবা জনতা পার্টিদা য়াওখি। ইং ১৯৭৭ দা য়ংমাশো শৈজানা চিফ মিনিষ্টর ওইবা সরকার অদুদা নিপামচা ইডুকেসন মিনিষ্টর ওইরমখি। মহাক অহুমশুবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা   মায়থিহৌখি। অদুমকপু মরিশুবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা জনতা পার্টি  অমসুং ইং ১৯৮০ দা পাংথোকখিবা মীখলদনা ইন্দিয়ান কংগ্রেস সোস্যেলিষ্টকী মীরেপ ওইনা মাই পাকখি।

আর কে রনবীরনা চিফ  মিনিষ্টর ওইবা মতমদসু কেবিনেট মিনিষ্টর ওইখি। রিশাং কৈশিংনা চিফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদনা কেবিনেট মিনিষ্টর ওইবতা নত্তনা বিধান সভাগী ষ্পিকরসু ওইরমখি। মরক্তুদা রিশাং কৈশিংগা য়ান্নরক্তবদগী এম এল এ ২৩ গা লোইননা সরকারদগী থোক্লক্তুনা এম এস সি পি  শেমদুনা মহাক্না লুচিংবা সরকার অমা ইং ১৯৮৭ কী দিসেম্বর তাং১৬ তা শেমখি।

মতুং তারকপদা, তরেৎলক শুবা মনিপুর এসেমব্লি মীখলদসু এম এস সি পি গী মিরেপ ওইনা মায় পাক্তুনা ইং ২০০০ দা অমুক হন্না চিফ মিনিষ্টর ওইখি। ২০০১ গী ফেব্রুৱারী ১দা সিএম ফমদগী রিজাইন তৌখি। এমএসসিপি দগী তোক্লবা মতুং মণিপুর নেসনেল কনফরেন্স কৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা শেম্লমখি। লোয়ননা হায়রিবা পার্টি অসিমক আরজেদি দা মর্জ তৌখি।        শ্রীনিপামচানা চিফ মিনিষ্টর  ওইরিঙৈ মতম লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মথক্তা পাল্লম্বা কেসশিং লৌথোক্লমখি।

অমরোমদা শ্রীনিপামচানা লৈখিদবদা  চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবী, হোম মিনিষ্টর গাইখাঙম, মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, মিনিষ্টর রতনকুমার, মিনিষ্টর হেমোচন্দ্র, মিনিষ্টর নাসির, মিনিষ্টর মীরাবাই, মণিপুর পুলিসকী দিজিপি জয়কুমার য়াওনা পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিং, সিভিল অমসুং পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল কয়া মহাক্কী ময়ুমদা চৎতুনা লৈখিদবগী মফমদা অরোয়বা ওইনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা ষ্টেটকী থাক্তা ফ্যুনরেল থৌরম পাঙথোক্তুনা গন সেলুট পীদুনা ইকায়খুম্নবসু উৎখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীনা শ্রীনিপামচানা লৈখিদবসি লমদমসিগী ওইনা শক্লাইরবা পোলিটিকেল লিদর অমা মাংজবনি। মীয়াম্বু য়াইফনবা খল্লম্বা অমসুং ষ্ট্রেজট ফোরৱার্দ ওইবা অতাংবা চিফ মিনিষ্টর অমনি হায়না শিংথারদুনা লৈখিদবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়খি।